ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ১৭, ২০২০, ꯏꯝꯐꯥꯜ
৪৪ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ১৭৩ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, সেপ্টেম্বর ১৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৭৩শুবা মশীং

# অকনবা মওংদা লৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকপা

## লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনবগী ওন্ন-তৌনবা থৌওং

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম খরদা হৌজিক লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্লি। পঞ্জাবতা লৌমীশিংগী লূপ কয়ানা অমৃটসর-দিলি নেসনল হায়ৱে য়াওনা মরু ওইবা লম্বী অহুম থিংখিবদগী অচৎ-অওক তৌরিবশিং চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ন রে। লৌমীশিংনা তাল্লিবা মরু ওইবা দিমান্দদি লৈঙাক্না চৎনহনখিবা ওর্দিনান্স অহুম - দি ফার্মরস প্রদ্যুস ত্রেদ এন্দ কম্মর্স (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) ওর্দিনান্স ২০২০; দি ফার্মরস (ইম্পৱরমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওন প্রাইস এসিওরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিসেস ওর্দিনান্স ২০২০ অমসুং দি ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ২০২০ ৱিথদ্রো তৌ হায়বসিনি। ওর্দিনান্স অহুমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা অমৃটসর-দিলি নেসনল হায়ৱে থিংলিবা কিষান মজদুর সংঘর্শ কম্মিটি অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়রিবদি লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) কী কান্নবা ফংহল্লরোই হায়বসিনি। পাটিয়ালা, বর্নালা, মোগা, ফগৱারা অমসুং অমৃটসরনচিংবদা খোঙজং চঙশিল্লিবা ওল ইন্দিয়া কিষান সংঘর্শ কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা হায়খি, লৌমীশিংবু শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেট হাওসশিংগী থৌজাল মখাদা হিংহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি খোঙফম হন্দোক্কদবনি। মমাঙদা লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোথোক খুদিংমক এগ্রিকলচরেল প্রদ্যুস মার্কেট কম্মিটি (এ পি এম সী) না লৈশিল্লগা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অমুক য়োন্থোকপনি।

লৈঙাক্না চৎনহল্লকখিবা ওর্দিনান্স অহুম্না মরম ওইরগা হৌজিক্তি লৌমীশিংনা প্রাইভেট কম্পনি নৎত্রগা লল্লোন-ইতিক তৌবা কাঙবুগা হকথেংননা লৈবা-য়োনবগী থৌওং চথবা য়ারগনি। থৌরাং অসি লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোথোক পূম্নমক লৈঙাক্না লৈশিনবগী কাঙলোন চৎনহন্দনবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা অহানবা খোঙথাংনি হায়না লৌমী কয়ানা চিংনবা ফাওরি। চৈরকসিদা লোক সভানা ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২০ পাস তৌখিবনা মরম ওইরগা লৌমীশিংবু অমুক্কা হেন্না খোয়শাওনবা পোকহল্লে। হৌখিবা জুন ৫দা লৈঙাক্না চৎনহনখিবা ইসেন্সিয়ল কম্মোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্সকী মহুৎ শিনবা এক্ট অমা চৎনহন্নবগী পান্দমদা লোক সভানা বিল পাস তৌখিবনি। লৈঙাক্কী থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লেফ্ট ফ্রন্টকী এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী কম্পাউন্দ মনুংদা খোঙজং চঙশিনখি। লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং পূম্নমক লৌমীশিংগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরক্লি। খ্বাইদগী কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবসি লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোথোক পূম্নমক লৈঙাক্না লৈশিনবগী থৌরাং লেপকদবা মানবা ৱাফম য়াওরকপগী মতাংদনি। লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না লৌমী মীয়ামগী পূক্নিং ফাথনবা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলকপগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২

১। ‘‘কংলাগী কৌপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কৌএ। অদুদা য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোকনে। মশক্তি নুওক্কী মশকনে। শা অমগী ঈনা লাৎও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কৌপা নুঙ অমা লৈএ। লাইশক্তি শামুগী মশকনে। মচু মুইএ। খুরু খুদক কূন্না লৈএ। উহৈদে। উরবদি লৈপাক তাকএ। ওক্কী ঈনা লাৎও। কৌপরুগীদি অসিনা খৈরে।’’ মথক্কী পরেংশিং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

২। ‘‘শৈদম শৈরেং’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ফোঙবগে? স্কুলদা তম্নবা টেক্সবুক লাইরিক ওইনবা কনানা লৈখিবগে?

৩। শক্লাইরবা অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা অহানবা ইখিবা লাইরিক্তু করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা খূৎনম পুথোকখিবগে?

৪) ‘‘ভক্তরাজ’’ গী অইবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট অদু কনানো?

৫) মখাগী শৈরেং মতেক অসি লৌথোকফম ওইরিবা অরিবা শৈরেং অদু করি মমিং কৌবগে?

‘‘শিনয়োম নুংগী ইরকপা
কোঙয়াং ৱা-ই-ইরকপা
খেৎফরোই দে।
তাইবঙ ইরেন পূংশিবু
লাইজা ইরৈ চনগুম্মে
খঙঙমদে দে।
তাল্লোয় নুংচান ৱাদুনা
খোংফৈ চীরোন চন্নদি
লমদল্লে দে।’’

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১গী পাউখুম ৩ চুন্না থাবীরকখিবদি

***১) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল***

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১গী ৱিন্নর

**থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল**

লিটরেরি ক্যুইজ ১গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম সেপ্টেম্বর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১গী পাউখুম

১। মণিপুরী সাহিত্যগী চানক্য শ্লোকনি হায়নফাও শীংথানরিবা লাইরিক অদু করিনো? ***: লাংলোন***

২। ‘‘লল্লান কাইগী খোয়রোয়দি লোয়ুন্বা পাম্মু নংবু
মীচা পোক্তি নুংশিবা। চেংগৈ পাৎতা পাইবা-খোই,
ঙাঙৌ পাৎতা চাকতাবা, চিংজাও খোইমু লৈপাম্বা,
তত্ব মুহি খাংনৌবা’’
মথক্কী অসি কনানা কনাদা শৈথাবনো? করম্বা মতাংদনো? ***: থোইবীনা খম্ববু কৌদুনা শৈথাবনি। হিজম অঙাংহলনা ইবা খম্বা থোইবী শৈরেংগী লমজেল হায়বা মতাংদগীনি।***

৩। মণিপুরী সাহিত্যগী অঙনবা মতমদা ফোঙখিবা ৱারী মচা অমনি ‘‘বাসন্তিগী নুংশি-মীনোক’’ হায়বসি। ৱারী মচা অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা ইহান হান্না ফোঙখিবগে? ***: খাইদেম প্রমোদিনীগী ৱারীমচাগী লাইরিক ‘পুন্সি-মৈরা’ হায়বদুদা য়াওবনি। অহানবা ফোঙবা ১৯৫৮।***

৪। ‘‘নিঙোলগী হৌনসানি। মৈতৈ লৈপাক অরাপ্পা নত্তে, য়ুম্লোন্নবনি, থাপতোক্নবা য়াদ্রবনি। ...মৈতৈ নত্তনা চীংগী কনাসু লৈতে, মৈতৈগীসু ঐখোয় নত্তনা লৈতে।’’
শক্লাইরবা অইবা অমনা ইবা উপন্যষ অমদগী লৌথোরকপা য়াম্না খঙনরবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। মসি কনানা কনাদা হায়বনো? ***: হিজম গুণ সিংহগী ‘লমন’ উপন্যাষতগীনি। প্রোটাগোনিষ্ট ওইরবী চংনিংগী মপা খৌপুম কবুই খুনগী খুল্লাকপদা মবুং থোকপা গাইরেমনংনা হায়বনি।***

৫। মণিপুরগী শক্লাইরবা নোবেলিষ্ট ব্রজমণি মাইস্নাম্বনা ইবা ত্রিলোজি নিংথেমনুবী হায়বসি করম করম্বা নোবেলশিংনা পূনশিনবনো? ***: (ক) নিংথেম্নুবী : পোনগী উচেক; (খ) নিংথেম্নুবী : অহিংগী লাইবার; (গ) নিংথেম্নুবী : কোনুং মীহাৎ।***

# অঙাং ওইরিঙৈগী মতম নীংশিংদুনা শান্নবা- ৬

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**



মীওইবগী পুন্সিগী তাঙ্ককশিংদা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবা অসি অঙাং ওইরিঙৈ মতম অসিনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। কনা অমত্তগী ফত্তবা থবকসু তৌদ্রিবা, মশাগী ওইনসু করিসু য়েংজদ্রিবা, মীয়ামগী নুংঙাইবদা মানা হেন্না নুংঙাইজবা, কুমগী হরাও কুম্মৈ অমতং থোরকপদা মাগীদমক হেক পাঙথোকপীবগুম মানা হেন্না হরাও নুংঙাইজবা, মদুগীদমক মতম চূপ্পদা শেম শাদুনা লৈজবা নুংঙাইখ্রবা তাঙ্ককনি। শান্নরে, মপূম হেক থিৎপমখৈ শান্নজবা, তূম্মৈ তূমনীংখৈ হেক তূমথোকপা, চারে পেনদ্রিফাও হেক লাক-লাক্তুনা চাজবা, নুংঙাইখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সিনি।

অঙাং ওইরিঙৈদা চানীংবা অসিসু খাঙবা লাকপা ঙমদবজাৎনি। হেক উরিখৈ তিন চোই হায়দুনি। ইমুংগী অহল-লমনশিংনা করিগুম্বা শ্বাষ্টি পুজা, সোরাট, লুহোংবা, নাহুৎ-নারেংবা, লাইরিক তাবা হেক চৎলুবদা য়োম্মগা পুরকপা অচাপোৎতু মুন্নবদা কুম্মৈ অমা তাবনি। অহল-লমননা ফৈজোম হোংদুনা চৎখ্রবদি হল্লকপদা শোয়দনা অচাপোৎ পুরক্কনি হায়না শান্নবা চৎকদবা ফাওবা চৎতখৈ ঙাইনৈ। অহলদুনা হেক হল্লকপদা পুরকপা অচাপোৎতু মী উদ্রিঙৈদা তাপ লৌরগা মানা লোইনা চাথোক্লবা হোৎনৈ। পুকচেল অদুক য়াম ফত্তবৈ ৱা নত্তে, মসি হৌনবীনি, য়াম চানীংবা হায়সে। করিগুম্বা অহলদুনা অচাপোৎ পুরক্তবা নুমিত্তা, অহলদুদা থওইনা শাউই, মানা হায়বা পাখোন ইখোন অমত্তা য়াদে, পৈথোক্তুনা লৈনরিবনি। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈ পুন্সিনো। মচিন মনাও য়াম্বা ইমুংদদি, মমা-মপাদা অঙাংদুনা অচাপোৎ চারমদাইদা হেক হেক শাউনা ঙাঙবা য়াওই, ‘‘কৈদৌবৈ নচা ময়াম অমা পোক্লিবনো? পোকতৌ ওইরদি অচাপোৎ য়াম-য়াম পুরকপা য়াদ্রা? কয়াদা নুংঙাইখ্রবা অঙাংগী ৱাখলনো?

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা উসব চাবা হায়দুনা হেক হেক তৌনৈ। তর্পন, উসব, অহল-লমন লৈখিদবগী লাইদা কৎপা থাগী উসব, চাকচা হৈজানবা (মসি মতমদুদদি কুম অমগী লৈকায়গী তৌদবা য়াদ্রবা ওইরম্মী), মঙানি চাক্লৌবা, য়ামখ্রে, য়ামখ্রবা থৌদোক ৱাথোকশিংনি। অদুগী মতমদুদা য়ূম অমমমগী অহল অমমম হেক হেক চেবাউ নৎত্রগা চিনবাও পীদুনা য়াওনহল্লি। অহলশিংনা উসব চৎপা মতমদা অঙাং অমদি শোয়দনা অদুম লোয়নরক্লে। মতমদুদা মদু **খুজাই পুবা** হায়না খঙনৈ। ঈশিং থক্লবা কোনদু চাইসেন ওইবা য়াই, খুজাই ওইবা য়াই, য়ূমদগী অফবা ঈশিং হৈদুনা পুই নৎত্রগা কোনদুদং পুরগা উসব মফমদা ঈশিংদু চাক চাবা ফম্নরবা মতুংদা য়েন্নৈ। নৎত্রগা চঙলমদাইদা য়েন্নৈ। মদুগী খুজাইদু পুনবগীদমক মমায় থারপ তৌবা অঙাং অমদি অদুম ইন্নরে। লোইনমক্কী ৱাদি নত্তে। মদুদা উসবতু অঙাংগীনি হায়না তোঙান্না চাকলুক কন্নদে, পূন্না পূন্না ফম্মগা চামিন্নবসু য়াওই। খ্বাইদগী পামজনা হাওনা চানবদি **‘পকৌরা’** দুনি। পকৌরা হায়বসি উসব কুম্বদা নৎত্রদি চাবা ফংনদে, হৌজিক্তি পংয়োন্দা য়োন্নরে হোটেলদা অদুবু উসবতা য়াওবা পকৌরাগী মহাওদুদি ফংবা ঙমদে। করিগুম্বা অহল অদুনা য়ূমদা লৈহৌবা মচা মশুশিংগীদমক থওইনা পকৌরাদু চাদনা মানা পুরক্লিবা কোন অদুদা হাপ্পীয়ু হায়দুনা তোঙান্না হাপহল্লি। খঙনবা পুজারি য়াওরদি অমা অনী হাপ্পরম্মী। পকৌরাসি মতমদুদা অখন্নবা মশীংদা হৌনদে, য়াম্না হেন্না হেন্না হৌনৈ। শিল্লি লাংলিবশিংদুগী মরী মতাদসু অমমমদা ওইরসু হাপ্পা থুংনবা হায়দুনা মী ৫০ চাবদা পকৌরাদি ১০০ হৌনৈ। মতমদুদা চাখিবা পকৌরা, অহলশিংগী মতুং ইন্নদুনা উসব চাবা চৎখিবশিং অদু কয়াদা নুংঙাইখি। উসব চারুরগা হল্লকপদা মমান-মমান্নবশিংগী মমাঙদা উসব চাবা চৎলি হায়বগী চাউথোকচবা ফাওনৈ। কয়াদা নোক্লিংনা নুংশিখ্রবা মতমনো?

মসিনা নুংঙাইবগী ৱারীনি। অৱাবগী ৱারীসু কোকথোং ফানা লৈ। মতম অমা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদদি চেঙ য়াম্না শাথীনা তাঙবসি তোয়না তোয়না থোকই। করি করম্না তাঙবা চেঙনো হয়বদুমা খঙদ্রবসু, মতমদো চেঙ য়াম্না তাঙখি। লৌ উনবগী লৌফমসু মরাং কায়না লৈবা মতমনি। অদুবু চেঙদি নিংথিজনা তাঙই, ফৌ হাপ্পা ঙম্বা খরদনা চরা হেন্দবনি, অয়াম্বদি চরা হেন্নৈ। তৌবগীদি মতমদুদা লৌ উরবসু ফৌদি য়াম্না থোক্লদে, হার চাইনদে, লাইনা তম্বা হায়দুনি, থোক্লগা থোক্লে, থোক্তগা থোক্তে হায়দুদা লৌ উনবনি, অদুসু ঈশিং ঈচাও ময়াম অমনা লৌ ফনা য়াম্না হাৎলিবনি। অদুনা ওইগদ্রা খঙদে। চেঙ ফজনা তাঙই। মতমদুদা বোরধান হায়দুনা অয়েন চেঙ মখল অমা থোকই। মদু কৈথেলদসু ফংই। মনম নমথীখ্রবা চেঙনি, ঈশিংদা চেঙজামুক শীজিন্নদুনা পুখ্রিদা য়াম্না ফজনা চান্নবসু মনমদি পাক কোক্তে। অদুগা চেঙ অদু নিংথিনা মন্দ্রবদি চাবা য়াবা নত্তে, নুং অঙৌবসি য়াম্না য়াওই, মুন্না য়েংদ্রবদি মনবা ঙমদে, নূংদু ঙৌই, চেঙ মচুনি, অদুনা খনবা য়াম্না ৱানৈ, মরাইবক থীবা মীদদি চাক্তু চাবদা নূংদু শাইবদা ময়া তেকপা য়াওনৈ। অদুনা চাক চাবা মতমদা ইমানা হায়, চাক্তু মুন্না য়েংল-য়েংলগা শাইয়ুকো, নূং য়াওনি। কয়াদা নুংশিখ্রবা মতমনো? অদুক নমথীখ্রবা, হাওখিদ্রবা চাক্তো লায়রবশিংদদি কনা অমতা মবুক থন্না চাবা ফংনদে। মী অমগী তেঙ্কোৎ মচা অমমমদগী হেন্না থুংনা ইমানা য়েনদে। অরৈবা খরদু অদুম চাবনি। মতমদুদা খরা য়াম্না থোংলিবা হায়ববু এঞ্জাংনি। এঞ্জাংদি য়াম্না য়াম্না থোংই, এঞ্জাংদুনা য়ারিমখৈ পুক থন্নবা হোৎনৈ। নুংঙাইরিবদি মতমদুদা চাক্কী মহুৎ শিনবা এঞ্জাং মখল অমা পুথোক্লরকই। অতৈ নত্তে, ইঞ্চোলদা হৌবা পানসি উতি থোংবসিনি, উতিসি মহী ফনা য়াম্না হাপ্পগা য়াম্না য়াম্না থোংই। মদু পুখমদা হৈ চাক্কী মহুত্তা, মদুনা পুক থন্নবা চাই। অদুবু উতিদুফাওবা পুক থনবা ঙমদবসু য়াওই। মরমদি পানদু তানবা লোইখ্রবদি কদাইদগী লৌরগা পান উতি তৌগনি। লৈবা হায়বদুদি শেলগী ৱানি, শেলদু লৈত্রদি কদাইদগী লৈগনি। অদুনা য়াম্না ৱানাা ৱানা হিংনরকই। ইঞ্চোলদা হৌবা হঙ্গাম সিমদি য়াম্না য়াম্না চাই, পুক থল্লগা লোইরে হায়বসি মসিনি মতমদুদা খন্নখিবসি। হাওবা হাওতবগী ৱাদি কনামতা ৱা ওইনা হায়নদে।

য়াম্না নুংঙাইবা ফাগি অমসু লৈ। চাকখুমদা পুর্নিমা থোকপা হায়রদি তল চাবসিবু ওইনা খঙনৈ। চেঙদগীদি য়ামনা হেন্না হোংই। অদুনা চেঙ ৱান্নবগী মহুত্তা য়াম ওইনা ৱাল্লগা তল হৌরগা চানৈ। তলদু থাও য়াওবা নত্তে। শেল চঙদে। অরৈবা এঞ্জাং অমা হেক্তা থোংজিনবনি, মাইরেন, খোংদ্রুম, হৱাইগী ৱা লৈতে। অরৈবা অমা হেক্তা মনা-মশিং ওইরসু তলগা চানবা-চানদবা মতমদুদা কৈসু থিনদে। পংচা চাবনি। অদুগুম্বা তল অকংবদু মাগী-মাগী শরুক অমা-অনী পায়রগা ফমুংদা অদুম উমসাই-উমসাই শাইদুনা চাবসু লৈ। অদুগা হৌগৎলগা ঈশিং থকপা। তলদু শাইবা ৱাবদগী মোন ময়াদা থনম্বদগী তূমথখিদুনা অয়ূক য়াহৌরকপদা চাক লাম্বনা পুকসি থবৎ তৎলবদা তল অকংবা অদু ঈশিং অঈংবদা লুপ্পগা অমুক শাইরিনি, খদাংগসি চোকথবনি। অদুবু পুক্তু থল্লগা লোইরে হায়না অদুম চানৈ। মতমদুদা কৈসু লুনসু খন্নদে, থোইনসু ইকায়নদে। করি চারে হংনবদা, পুর্নিমা ওইনা থোক্লে হায়না খুম্নৈ, মদু তল চাই হায়রিনি। নুংঙাইখ্রবা মতমনি।

হৌজিক্তি য়াম্না হোংলে, হৌজিক্তি মীপূম খুদিংমক নুংঙাইবগী ঈপাক্তা তাওদুনা লৈনরে। মতমদুদা নহা মচা-মচাশিং অসিনা বালতিন অমা পায়দুনা খোংবাল শিৎলগা মদুদা ফংলকপা ঙাদু ইনাক খুনবশিংনা লৈরগা চেঙ ৱান্নবগী মতমদো হৌখ্রে। মাইরেন ফুৎলগা চাবগী ৱা লৈখিদ্রে। পান লৌরগা পুক থন্না চাবগী ৱারীদি হৌজিক্কী মতমদা চান্নদ্রবা ৱারী ওইরে। নুংঙাইরবা মতম অসিদা হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা পুন্সিগী অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনদ্রি, মখোয়গী মমিৎতা পুন্সি হায়বসি নুংঙাইবনি হায়না লৌনৈ। হিংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা লান কয়াশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী মপাঙ্গল, পূক্নিং অমদি ৱাখলবু মথৌ শংদ্রি। অদুনা লায়রবা অৱাবা কয়াগী ৱারী মখোয়দা চঙদে। মখোয়না মদুগী পুন্সিগী মহাও খঙবা ঙমদে। ঐদি হায়গনি - লায়রবগী মহাওদি পুন্সিগী খোইথুল্লবা মহাওনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৩৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**নবেম্বর ১৪, ২০০৯ :** সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এন লোকেননা ঙসি খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়গী লূপশিংদা ক্লাস বোই কোটকী খোঙজং হন্দোকপীনবা আপিল তৌখি।

মিনিষ্টর এন লোকেননা চিলদ্রেন্স দেগী থৌরম অমসুং বাল ভবনগী ২০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা খুমন লম্পাক্তা লৈবা বাল ভবন কমপ্লেক্সতা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখি।

মহৈরোয়গী লূপ অহুম অমসুং অপূনবা লূপতা আপিল তৌরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ক্লাস বোই কোট তৌবগী খোঙজং অসি হন্দোক্লবদি মীয়াম্না থাগৎনগনি। মহৈ তম্ফম শঙশিংদা মৈ থাবা-খোৎপা তৌরিবা অসি মীয়াম্না পুন্না থেংনমিন্নগদবনি। মহৈরোয়শিংনা ঈংনা তপ্পা মহৈ মশীন তম্বা ফংহনগদবনি।

**নবেম্বর ১৪, ২০০৯ :** নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী সেক্রেটরি ওইবা লাইশ্রম রঘুমনি (৬৫) কৌবা মীওই অসি দিমাপুরদগী ওক্টোবর ২৩দা মাঙখ্রে হায়রি। মহাক অসি ওক্টোবর ২৩দা ময়ূম থাদোক্তুনা গুৱাহাটি দাউন টাউন হোস্পিটাল নর্সিং ইন্সটিট্যুসন্দা নর্সিং ট্রেনিং তৌরিবী মচানুপীগী মনাক্তা চৎখিবনি হায়। নুংথিল পুং ৪গী ট্রেন ফংহৌদ্রে, পুং ১০গী ট্রেন তোংগনি হায়রমখি। ওক্টোবর ২৫গী নুংথিল পুং ৫ তাবা ফাওবদা মচানুপীগী মনাক্তা লাকখিদে।

**নবেম্বর ১৪, ২০০৯ :** ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপু অমগা লালহৌবগা নোংমৈ কাপ্পবদা লালহৌবা অনী শিরে অমসুং খূৎশু খূৎলায় য়াম্না ফাগৎলে হায়। থৌদোক অসি ম্যান্মারগা তাইনবা অরোং নোংমাইখোং এরিয়াদা থোকখিবনি।

**নবেম্বর ১৫, ২০০৯ :** প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফাউন্দরশিং, প্রিন্সিপালশিং অমসুং ওজাশিং অমসুং গার্জিয়ানশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা কোনুং লম্পাক্তা পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংগী কাঙবুগা লৈঙাক্না নবেম্বর ১৯ ফাওবদা য়ানবা পুরক্লবা হায়খি অমসুং নবেম্বর ২০দগী ক্লাস অমুক হাংদোক্তুনা লাইরিক তম্বীনবা ৱারেপ্পখি। ক্লাস বোই কোটকী খোঙজং অসি অসুম চথুদুনা লৈরবদি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা ফাওবা অকায়বা ওইরকপা য়াই হায়খি। পব্লিক মিটিং অসি ওল মণিপুর রেকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল’স ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না মহৈরোয়গী লূপ অহুম এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এনা কৌরিবা ক্লাস বোইকোট অসিনা পীরিবা চৈথেং অসি খন্নবা কৌখিবনি। জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থৌদোক্তুগা মরী লৈননা অপূনবা লূপনা খোঙজং চঙশিল্লিবনি।

সেপ্টেম্বর ৯দগী তম্পাক্তা লৈরিবা স্কুলশিং অয়াম্বা থোঙ লোন্দুনা লৈরিবনি। লৈঙাক্না নবেম্বর ৯দগী স্কুল হাংনবা অমসুং ক্লাস মখা চথনবা হোৎনরবসু স্কুলশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা কয়া পূক্নিং চঙদে, অমরোমদা খোঙজং শৌগৎপশিংনা স্কুল কয়া মৈ থাবা চথরক্লি।

খন্নবা অদু পুং ১০.৩০দগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৩ ফাওবা চথুখি। ক্লাস বোই কোট অসি চীংগী লমদদি পাঙথোক্তে, তম্পাক্কী লমদসু অথাপ্পা মফমশিংদা পাঙথোক্তে হায়না ৱাঙাঙলোইশিংনা হায়। হায়রিবা মফমশিং অসিদদি চাং নাইনা ক্লাস চথুরি হায়।

থৌবালদসু স্কুল অয়াম্বা হাংলে অমসুং ক্লাস চথুরি। চীংগী মহৈরোয় কয়া তম্পাক্তা লাইরিক তম্লম্বা অদু মখোয়গী খুলগা নক্লবা স্কুলশিংদা ট্রান্সফর তৌনবা দরখাষ্ট থানরে হায়। ক্লাস বোই কোটকী খোঙজং অসি চীংগী লমদদি মমি তাদে হায়না ৱাঙাঙলোইশিংনা হায়খি।

মরমশিং অসিনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়গী লূপশিংনা ক্লাস বোই কোটকী খোঙজং অসি থুনা হন্দোক্তুনা মপূং ফানা ক্লাস চথবা য়ানবা হোৎনগদবনি। নৎত্রগদি চীং অমসুং তমগী মীওই অনীগী মরক্তা ফক্লাং অমা খাগৎলক্লগনি হায়না ৱা ঙাঙবশিংনা হায়খি।

ৱা ঙাঙখিবা মীওই খরনদি এম এল এশিং অমসুং মিনিষ্টরশিং অসিনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনদবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখি। মখোয়গী মচা-মশুশিংদি ষ্টেটকী ৱাংমদা মহৈ-মশীন তম্বনা মখোয়না পূক্নিং চঙদবনি ফাওবা হায়নখি।

এ কে সনাতোন হায়বা গার্জিয়ান অমনদি কুইনা ক্লাস বোই কোট তৌবা অসিনা অঙাংশিং লাইরিক পানীংদ্রে, মখোয়গী লাইরিক পানীংবগী হৈনবী অদু মাঙখ্রে। অহল-লমন্না ফাওবা হায়বা ইন্দ্রে হায়খি।

ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ জপান্না হায়খি, খোঙজং অসি মহৈরোয়গী পুন্সি মাঙহনবতা নত্তনা প্রাইভেট স্কুলশিং অমসুং স্কুল ভেন চলাইরিবশিংবু খম থেংনা ৱাহল্লে। হৌখিবা থা অনী অসিদা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং তোলোপ ফংদ্রে। স্কুল ভেন চলাইবশিংসু মহৈরোয়শিং পুবিবগী শেল ফংদ্রে।

পূম্নমক অসি য়েংলগা স্কুলশিং অসি নবেম্বর ২০দগী হাংদোক্লবা অমসুং ক্লাসশিং মখা চথনবা অমত্তা ওইনা ৱারেপ্পখি। মরী লৈনবশিংনা অয়েৎ-অপন পীবিদনবা হায়জখি।

**নবেম্বর ১৬, ২০০৯ :** ইরাবত অমসুং রিশাং কৈশিং ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাইশিনখ্রে। জুলাই ২৩গী থৌদোক্কা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকউ হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঈরাং অসি খরা নেমথনবা মঙোন্দগী হোম অমসুং ফাইনান্সকী পোর্টফোলিও অসি লৌথোক্লবা ওইরমগনি থাজনরি।

মখোয়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরম অমসুং অতৈ কোংগ্রেস লুচিংবশিং উন্নরবা য়াই। ইরাবত্তা হোমগী পোর্টফোলিও অসি পীরকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবদগী মহাক দিল্লিদা লাকপনি হায়, করিগুম্বা পীদ্রবদি কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর অসি ও ইবোবীনা লুচিংলিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদগী রিজাইন তৌরবা য়াই হায়রি।

গভর্ণরগা উন্নরবা মতুংদা ও ইবোবীনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমগা নবেম্বর ১৪দা উন্নদুনা পুং ২ রোম খন্ন-নৈনখি। মিটিং অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টকী ফমদগী রিজাইন তৌনবা অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম পায়নবা হায়খি হায়। অদুবু গাইখাঙম্নদি মদু য়াখিদে হায়। প্রসিদেন্টকী ফম অদু মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন ওইরিবা ই দ্বিজমনিদা শিন্নৌ হায়বনি হায়।

**নবেম্বর ১৭, ২০০৯ :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা লৈবা প্রাইভেট স্কুল অমসু ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.১০ রোম তাবদা বোই কোট শৌগৎপনি হায়না থাজবশিংনা মৈ থারল্লে। স্কুল অদুগী কম্প্যুটর থম্ফম কা য়াওনা কা তরানিথোই তুম্না মৈ চাকখ্রে হায়। স্কুল অদু খোঙজোমদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ হায় স্কুলনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মহৈরোয় লিশীং কয়ানা হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা ইন্দো-ম্যান্মারগী লম্বী মতেক অমদা প্রোটেষ্ট তৌখি। মহৈ মশীনগী লাইশঙনি হায়রিবা স্কুলবু মৈ থাদোক্লম্বা অদু মখোয়না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

লুপা লাখ ১০গী মাল-চাং মাঙ-তাকহনখ্রে হায়। কম্প্যুটর সেট অহুম অমসুং ওফিসিয়েল দোক্যুমেন্টশিং, লোয়ন-লোয়ননা দেস্ক অমসুং বেঞ্চ খরদি মীয়াম্না কলহৌরে হায়। পুলিস অমসুং ফায়র টেন্দর মফমদুদা হোৎচিনখি অমসুং মৈ মুথৎপদা মতেং পাংখি। প্রোটেষ্ট অদু প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা শিনবনি। প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়ারিবা মহৈরোয় অমনা হায়, ‘‘মহৈ-মশীন তম্নবগী লাইশঙনি হায়রিবা স্কুলবু মৈ থাবা অসি ঐখোয়না য়াবা ঙল্লোই।’’ প্রোটেষ্ট অদুদা স্লোগান কয়াসু লাউখি। ‘‘মহৈরোয় হায়বসি খুন্নাইগী তুংগী য়ূম্বীনি, মখোয়বু ভিক্টিম ওইহনগনু। ঐখোয়না লাইরিক তম্বা পাম্মী, ঐখোয়বু ঈংনা চিক্না মহৈ-মশীন তমহল্লু, এদ্যুকেসন অসি ফ্রী জোন ওইহল্লু।’’

প্রাইভেট দিভলপমেন্ট কাউন্সিল, থৌবালনা দি সীগী থ্রুদা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মদুদা প্রাইভেট স্কুল মৈ থাখিবা অদুবু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। মেমোরেন্দম অদুদা কাউন্সিলনা লৈঙাক্তা স্কুলশিং অমুক হাংদুনা ক্লাস মখা চথবা য়ানবা হৌজিক্কী য়ানদবা অসি লোইশিন্নবা হায়খি।

স্কুলশিং মৈ থাবদা চেন্নবশিং অকনবা চৈরাক পীনবা অমসুং স্কুলশিংগী এরিয়াদা সিক্যুরিটি আউট পোষ্ট হাংনবা অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ফায়র সর্ভিস ষ্টেসন্না মতম চানা লাক্তুনা মৈ চাকপা কন্দবগী এক্সন লৌনবা দাবী তৌখি। ষ্টেন্দর্দ ইংলিস হায় স্কুল খোংজোম অসিনা অহুমশুবা স্কুলনি, মশক খঙদবশিংনা মৈ থারিবসি। পুলিসনদি খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংগী খূৎ য়াওই হায়। লৈঙাক্কী স্কুল ১০সু মহৈরোয়শিংনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। লাংমৈদোং গভর্ণমেন্ট হায়স্কুল, ককচীং, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং কামোং হায় স্কুল নম্বোল অনী অসিদা থিনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবনি।

**নবেম্বর ১৭, ২০০৯ :** মণিপুর পুলিস কম্মান্দোজ টিম অমনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা হোষ্টেলগী ম্যেন গেট থুগাইদুনা চঙলক্লগা হোষ্টেলদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসিদা খূৎলায় পুথোরকউ হায়দুনা ঙরাং অহিং হায়খ্রে হায়রি।

হোষ্টেলদা লৈবশিং অদুনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা ৱাফমসি শেংদোক্তবা তারগদি অমসুং পুলিসকী মীওইশিং অদুদা মতিক চাবা এক্সন লৌদবা তারবদি হোষ্টেল থাদোক্লগনি হায়রি।

কোলেজ মরিগী মহৈরোয়শিংনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্স, আর্টস অমসুং কম্মর্স অমসুং জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী মহৈরোয়শিংগী হোষ্টেলশিং কেম্পস অমত্তদা লৈবনি। দি এম কোলেজ কেম্পসতা প্রোটেষ্ট তৌখি, নোংসু খরা খিকখি।

পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা য়ুনিফোর্ম শেৎতুনা চঙলক্লগা মহৈরোয়শিং অদুদা নোংমৈ পুথোরকউ হায়দুনা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খিবনি। মতমদু নুমিদাং পুং ৯ লোম তারে। মহৈরোয় খরদি তূম্নখ্রে নৎত্রগা তূম্নবা থৌরাং তৌরে। খরদি লাইরিক পারি হায়না দি এম কোলেজ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম সন্তোসনা হায়। কম্মান্দোশিংনা তৌরিবদু হোষ্টেলদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না নুংঙাইতবা পোকহল্লি। মহাক্না হায়র ওথোরিটি অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী হীরমসিদা পূক্নিং চিংশিনখি। অমুক হন্না তৌদনবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা য়েংশিনবীনবা হায়খি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।